Sunday, May 06, 2018, Imphal

HUEIYEN LANPAO



“পোক্লকফম পমদম ইমা, ঈরৈবাক হায়বমুক
শৈশ্রবদা হিংদবনা কৈ/কৈ/হেন্না কৈ।”
- পাচা মীতৈ
(ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম)

## মিরাং থুরবা য়ূম

**—অথোকপম তোম্বা**

মিরাং থুরবা য়ূম
করম্বা মতমদা নানগনি
কন্থোকই ফনা কান্নদে
ননীং তম্না হেক্তা মথুই
করম্বা জিবনো নহাকপু?
ৱাখল তাদ্রবা কয়াগী
লৌশিং লৈত্রবা লৌশিংবগী
খোল্লাউ কয়ানি লাউরিবা
কানদে মিরাং নহাকসে
হোৎনৈ ফনা কন্নসু
শাজিল্লি হেক্তমক নহুম
পুবা থাংবা ঙমদরে
নঙগী নীংবা নঙগী খোল্লাউ।
য়ৈরে নাকোং শিংজা
অফবগী মীৎয়েং তামখরে
ৱাখল ফত্তবা মীৎয়েংনা
শেরান তুরান্নরে পুকচেলসু
অৱা চৈথেং খোল্লাউনা
কয়াম কুইনা লাউখিনি
কয়াম ৱাৎলি পূক্লিংগী নাপল
মোমোন নোক্কদবা মতম
ইয়ূম পোঞ্জেল নুংঙাইবা
মিরাং থুদ্রবা য়ূম
চৎন-কাঙলোন মমাঙঙৈগী
তীঙ্খং য়ুরদি তীঙ্খংনা হন
পাউরৌনি ইপা ইপুগী
মহৌশাগী লৌশিং লমতাক্লা
তীঙ্খং চৈনা কোক্কনি
মিরাং থুরবা ইয়ূমসু
নোংমা নোংমগী নানগনি।

## লৌশিংগী পুক্কে

**—ওক্রম নোংদ্রেন মৈতৈ**

মহৈ-মশীন্দগী ফংবনি লৌশিংগী পুক্কে
অখঙ-অহৈশিংদগী ফংবনি লৌশিংগী পুক্কে
চুখৎপীবনি মখোয়না লৌশিংগী মৈরাসু
হোৎনগনি ফংনবা অশেংবা অচুম্বা লৌশিং
তানশিনগনি অহেনবা লৌশিংগী পুক্কে
পৈশিনগনি চোন্না লৌশিং পুক্কে
ওইননবা মালেমসিদা মীথোই মীহেনবা
ইমা নঙগী নপারি নম্মোমশিংনা
লোইবা নাইদে লৌশিংগী পুক্কেদি
লোইদ্রিফাওবা পুন্সি চেংজেলনা
নীংশিংহল্লি অদুঙৈগী লাইওইখ্রবা
ইমা নঙগী নপারি নম্মোমশিং
থোকখ্রিবশিং পুৱারীগী লামায়শিংদা
ইনিংথৌ মৈদিংঙু চিংথংখোম্বগী হাক্তক্তা
শোন্নখিবনি মতমদুগী মীপূম খুদিংনা
লৌশিংগী পুক্কেনি ওইনাম বিজান্দো
মৃৎপা নাইররোইদ্রবা মীংলেননি
তুংগী মীরোল ফাওবনা।

## ৱাখল

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

পূক্লিং অমদি ৱাখলগী
অকনবা লান্থেংনি
শাদানবগী তেন্না
তেঙ্গা ফংনা চিংদুনা
পাদম্লবা শা অদুদা
পাল্লদুনা লৈমায় থক্তা
লোঙনা তাবগুম
ৱাখলগী অঙকপা
ইথক অমনা য়ৈরদুনা
কনাগী থম্মোয়বু জয় তৌগদৌরিবা।
ৱাখলগী লানফম অসিদা ঙসিদি ঐসু লেপ্লি
সেনাপতিগী য়াথং ঙাইদুনা।
করম্না ৱাহৈগী লাল্লোং য়াৎতুনা
ৱাখল চাউবা কনাগী থম্মোয়বু পেলহন্দুনা
ঐগী মচিন তুম্লবা তেনজৈ অসিনা পাল্লদুনা
কনাগী থম্মোয়বু জয় তৌদুনা
ঐগী ওইবা ঙমগদগে।
ঐ থাজবা ঙমদে মহৈ মহৈ হৈশিংলবা
লান্দা থৌনা লৈনা থোরক্লবা
অথৌবা অথৌবী ঙাক্তনি।
পুন্সিগী অরুবা লান্থেংনি
ঐসু মসিগী লান্মী অমনি।

## লাল্লোং অমা হোংলসি

**—অয়াম ইবেতোম্বী**

লৈঙাক্তা অহোংবা পুরক্লবনিনা
লাল্লোং অমা হোংলসি
মৈতৈ লৈমা ঐখোয়গী
ৱাকৎ লুচিংবী হাপ্পুনা
চৈরাপ্তা ৱাকৎচে পীরুসি
লুচিংবীগী খোংলোয় ওই
হৈনা মতুং ইল্লুসি
মদোম করিগী থারুনি।
ইচেম থম্বাল মানবীদা
লুচিংবীগী ফমদু হাপ্লসি।
ইচেম থরো, থারিকথা নখোয়সু
মথং খনবী ওইদুনা ফম অমমম পায়বীয়ু
ননাওসু নতুং ইঞ্জরক্কে।
হয়েং ইনুং ঙানবদা
নুপীগী ৱাকৎপুংদা চত্তুনা
অথোইবা অথোইবী পূম্বদা
ঐখোয়গী ৱাকৎ তাহল্লুসি
তেংবাঙবীয়ু হায়রুসি।
থাঙগী তাগী তাজিনথেক
বোমগী তোপকী নোংমৈগী
মথৌ উমনা হলহল্লসি
চেগী চেবাউ পীদুনা
মীনুংশিগা লোয়ননা মীনুংশি অমা নিরুসি
খূত্তা মৈরা পায়রসি
মঙালদুনা পাম্বে ওই
ইমাশিংগী খোঙ্গুল লীরুসি
খূৎতা খোর্জে পায়খৎলো
থৌর থাঙদগী হেল্লবা!
লাল্লোং অমা হোংলসি
মৈতৈ লৈমা ঐখোয়গী।

## মতম

**—ঈআর. হসন এস**

য়াহৌ ঙন্না হৌরুরে ঐহাক্লা
মীয়াম্না উদ্রিঙৈদা হান্না খঙহৌনবা হায়দুনা
অদুবু উবা ফংখিদে।

ঙন্তা হৌগৎলুবগী তূমশিৎ ফাদবনা
হেন্নদুম ঐহাক্কী অৱাবা ওইখি
ঙন্তা হৌগৎপা থেংনা হৌগৎপনা ওইরমদে
ঐহাক্লা ঙাইঙমদনা খঙনীংলুবদু
মতমনা পুরকপা ওইরম্লে
মসি ওইরে পুন্সি হায়বসি।

## লেপ্লাইদ্রবা দ্রামা

**—মেঘ কোলোম**

চোকথ খুইথরক্লবা মায়থোংশিংদুই
হুমজিন শিৎচিল্লক্লিবা নুংশিৎ
লেপ্লাইদ চীংলোন মাপল লান
মখেন্নজবনি ফিজোল মচুদুখক

মিৎশাং থাংলবা মৈত্রবাক্কী
চামথোক তকথোক্লদ্রবা মায়থোং
মীয়াম লিশীং লিশীংগী

য়েংলি পেন্থোক্লা নীংঙাইদ
হাৎন-লাউনা-ফুনা
চোকথ তন্থরক মহন্নে।

ষ্টেজ ফম্বাক ময়ায়থক
হেনগৎ শিলগল্লক মশিল
মিত্রং লাইৱা হৈনরবা
পংথ উইথনরি অহোইন্না

ঙাইহাক মীকপ হন্নরক
মোৎল মায়থোং উনরক
লাংন লাউনরকই মতোইনা
কাউথোক চামথোক্লদ্রি মায়থোংদি।

## হৈত্রি

**—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং**

হৌজিক মতমগী মৌনহা
কেবদি ওখাক হৈ হে!
অঙাঙবা অশঙবা হঙ্গাম মপাল
মখোয় কাউবা লৈতে
মচু কয়া উবদা
অয়েংবা কাঙবু মিৎ শোক্লে
অনোক লোইনা উপ্লগদৌরে।

ফজৈ ফজৈ য়েংবদা ফজৈ
ক্বাক্লা মোরোক চেনবা ফজৈ
ইরোইদা ফি অঙাঙবা লৈতেংবা ফজৈ
শামুনা ফি অঙাঙবা পুনবসু ফজৈ
কেবদি লোইনা হৈ
ফি ইনবদি হৈত্রি।

## লৌনম্বী মীৎয়েং

**—কে কুলবিধু**

থাজদে ঐনা কৈদৌঙৈদা নঙবু
মীৎচিনা ঐঙোন্দা লাং থাক্লবসু
ঙল্লোই থম্মোয়বু জয় তৌবদি।
খোইমু খুদিং চিলোক্লবী
নৱাহৈ খোনফমদি মথোৎপা
তৌথোক্লকপা থবক্তি মকাম্বা
পাপকী লৌবুক্তা চাক্তাবা
মীহৌ চাউবা লমচত্তনা
করম্না শেংহনগনি লাইজ।
মীওইবনা মপোক অমা লৈরবদি
শোয়রোই নঙনা খোইমু ওইরুবা
নঙনা চিলোক্লখিবা খোইমুশিংনা
লৈকোলগী লৈরাং ওইনা শাৎলম্লগনি
নঙনা শাগল তুফাং খপ্তুনা
কোয়পাই কোয়পাই পাইদুনা
চূপকনি লৈহি মথং-মথং
লোইবা খম্বা লৈররোই।
নঙগী থৱায় মিরেলদো
লাংওন লাংওন খুদিং
চাক্তারুগনি পাপকী লৌবুক্তা
য়ৌঙল্লোই মপূগী খুভম
চোঙথগনি কফুৎ করাংদা
কাখৎকনি চোঙখৎকনি
কাখৎপদি শুকঙম ঙল্লোই।

## প্রার্থনা

**—বাবু ইরেংবা**

হে মপূ চানবীহৈবা নুংশিব-ও
হয়েংমক্কী মপোক্তদি ননাইবু
ঈশক ইতৌ ফজখ্রবী
চুং ফিরালসু চারবী নুপী ওইনা
পোকহনবীয়ুকো অমুক্তংদি।
ওন্থোক্লা কোকসে শাখ্রে
নিপা ওইবা মপোকসে
অমুক্তদি পোকহনবীয়ুকো।
নুপী অমা ওইনা শিদদি ননাইগী
মপূ নঙগী নফমদা
খূৎ লোন্নদুনা হায়জবা।
অতোনবীবু ওইরবসু
ইনাকখুনবা ফম্নাইবা অমা ফারগা
নুংশিরসু নুংশিদ্রসু নুংশি শা
পাল্লবসু পামদ্রসু অপাম্বা শা
ওংজগে অমুক্তদি
ফংজগে নুংঙাইবা হায়বদো।


## অশিবা

**—অইবা -সনবম বিকেন্দ্রা মঙাং**

কপ্লগনু মখোল থোক্লা
তাররোই খোম্থাং য়ৈনা মহাক্কী খোঞ্জেল
ৱারগনু মহাক্কীদমক মমাংদা চৎখিবশিংদুগী
লাক্লরোই অমুক নকাদা ।
শোলহৌরসনু থৌনাশিংদো মালেমদা
লাক্লরোই অমুক মতমদো
নীংশিংব নত্তনা লময়ানখিবশিংদুগী
কুমগী থৌরম্না লাকপদা।

# কৌরি তামহৌরবা মঙলান্না

## (নুংশি লৈরাংগী লৈনাদা নুংশি শৈরেং অমতং ইনিংঙি হায়রিবা কবি)




| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | কৌরি তামহৌরবা মঙলান্না |
| মখল | ঃ | শৈরেং |
| অইবী | ঃ | লাইশ্রম বিনোদকুমার সিংহ |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৮ |
| অফোঙবা | ঃ | অক্ষর পব্লিকেসন্স, আগরটলা |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

**পুন্সিবু** লুনা খঞ্জবা কবি কয়ানি পোকখ্রিবা মালেমসিদা। পোকসু পোক্লকখিনি। মরমদি পুন্সি নত্তনা মীওইপোক্কী করি লৈরি। কদায়দগী লাকপনো হায়বসু খঙদবা, কদায়দা অমুক চৎকদৌরি হায়বসু খঙদবা থৱায়গী খোঙচৎনি মীওইপোক। তাঞ্জা অমদা, তাঙ্কক অমদা তাইবঙপান অসিদা খোঙদারকপা ঐখোয়না চেকশিনগদবা হায়বসি পোকপা-শিবা অনীনা ফিবান ওইবা পুন্সি মতেক অসিখক্তনি। মতেক অসিদনি, খৎনরিবা, চৈনরিবা, নুংশিনরিবা, পৈনরিবা, শাউনরিবা। অদুবু শিবা নুমিত্তদি চপ মান্নরে, খেন্নবা পূন্বা মাঙখ্রে। মতম চারিঙৈদা চেকশিনহৌদ্রবা পুন্সিবু অমুক্তংগা হল্লকপা য়ারবদি ফখ্রনিদা খনবা ঙাক্তনি। অদুগুম্বা থৱায় কয়াগী মপাউ তারুরগা অপাবা ঐখোয়সু খক নান্থোকপা ঙমদে, তাদবা ঙমদে। কবি কয়ানা তাইবঙ মপূদা হায়জৈ, অমুক্তগা মীওইপোক্তা পোকহনবীয়ু। মথঙগী মপোক অদুদদি পুন্সিবু লুনা তৌজরগে হায়জৈ। ওমর খয়য়ামসু হায়খি, "Ah Love! could you and I with Him conspire/To grasp this sorry Scheme of things entire/would not we shatter it to bits and then/Re-mould it nearer to the Heart's Desire!" (verse 99, Rubaiyat) কয়াদা নীংঙমদনা হায়খ্রবা, শোয়খ্রবা পুন্সিবু কয়াদা পাম্মুজরকপা পরেং ৪সিনা উৎলি। মাদ নত্তে ইংরাজি কবি Browning গী লোয়নবী Elizabeth Barrett Browning নসু ১৯শুবা চহীচাদা হায়জখি যীশু খ্রাইষ্টা অসুম্না, "Dear Christ! when thy new Vintage fills my cup/This hand shall shake no more, nor that wine spill." (Past and Future) মানসু কয়াদা পাম্মুজনা হায়খ্রবা। অমুক্তংগবু পুন্সিদু পীবিরবদি য়াম্না চেকশিঞ্জরনি, কূপ্না শেন্নজরনি হায়রিবনি। অদুবু ঐখোয়গীসু কবি অমা থোক্লক্লে, পুন্সিগীদমক কপচবা, আশাদি মাঙদবা।

মহাক অদু কনাসু নত্তে, তখেল হায়রসু খঙনবা ত্রিপুরাদা লৈখ্রবা ঈগী মরী বিনোদকুমার লাইশ্রমনি। মাগী শৈরেং ৫১না শাবা শৈরেং লাইরিক ‘কৌরি তামহৌরবা মঙলান্না’ কৌবা অমা ঙসি পাব ফংলে। মাগীদি অনীশুবা শৈরেং লাইরিক্নি। অহানবদু পাব ফংহৌদ্রবসু হন্দক্কী অসিদি পাব য়াব শৈরেং য়াম্না য়াওরে। মরু ওইনা পুন্সি, পোক্লফম লমদম্বু নুংশিনা শৈথাবা শৈরেং ঙাক্তনি। মতমসিগী য়ক লাউবা থিম অমতা পায়খৎতে। পূম্নমক অসিগী ৱাংমদা পুন্সিগী খোঙচৎ, মসিগী পান্দম, মসিগী নুংগী ৱাহন্থোক থিবনা কবি অসিগী ৱাখলগী মাইওন্নি। ৱাখল মপূং ফারবা কবি অমগী পোত্থোক্লি। লাইরিক অসিগী ৱাহৌদোক্তা লমদমদুগী মমিং লৈরবী অইবী ইবেম্মা সোরোখাইবম গম্ভিনীনসু লাইরিকসিগী নুংগী ৱা খরা ফোঙদোক্তুনা ইরি। মপানগী অইবশিংবু, মরু ওইনা তখেলগী অইবা অইবীশিংবু শীংথাবিদে, থৌশাবীদে হায়বগী ৱারৌ পুক্লৌবা ৱাহৈ খরসু ময়েপশিল্লি। মাগী ৱাদ নত্তনা অয়াম্বদা মপান্দা চাইনা তাখ্রবা ঈ মরীনা মাগী স্বর অসি খরা খরা অদুম মহোনবা থেংনৈ। ইমাগী ফজবদি য়েংল-য়েংলগনি, ইমাগী নুংশিবদি শায়র-শায়রগনি। কালেন শাদবা লম, নিংথম ঈংদবা লম, চীংয়া খোনবা মলয়ানা মতম পূম্বদা ঈশাদা য়ৈবা লম মালেমসিদা লৈরম্বদি য়াই তাঙনা থোক্কনি খল্লি।

ৱাসি অমরোমদা চৎখিদৌরমাল্লে। লাইরিক্তা হঞ্জরক্লবদা কবি বিনোদকুমারনা পুন্সিবু অসুম্না শৈথারি, “পুন্সিগী কলমগী কালিনা/চেল্লিবা ঈচেলগী চেবাংদা/লেপ্তুনা ইদুনা চৎলি।” (য়েংজগে খঞ্জবনি, লা: ১৪) কবিগী কল্পনা ফজৈ। পুন্সি কয়ানি মতমগী ঈচেলদা কলম ওইনা ৱারী কয়া ইরিবা। শিগনি কাউনবা ঙাক্তনি। অদুবু কবি অসিদি খক কাউথোক্তে। অদুনা হায়, “অৱা-মৈশারক্তগী/কনানো অমা/ঐবু কৌরি/ঙহাক কাংদনা/থৱানমিচাক শিথরকপা/নোংঙাল্লমদাইসিদা।” (নোংঙাল্লমদাই মিকুপ্তা, লা: ২০) পোকপা নুমিত্তা অশিবা কৌবা লাইনা তুংদা ইল্লকপদু ফজবা প্রমান্না উৎলি। মতম্না কৌদুনা লৈরি হায়বা কবি খঙই। শিনি খঙলবসু কবি অসিগী তোপ-তোপ্পা মগুনদি আশা মাঙদবা অসিনি। অৱাবা কয়া মায়োক্লরবসু নুংঙাইরকখিনি খঞ্জরি। শিবা তারবসু থৱায়দি শিবা নাইদে হায়বা থাজরি। অদুনা হায়, “অদুমক ওইরবসু/মীওইবগী আশাদি হিংলি/লৈরি ঙসিসু/থম্মোয় পিঞ্জরানুংদা/লেঙদনা।” (মথোঙ হুক্ত্রবা সমাজসিদা, লা: ১৫) অদুগা অমুকসু হায়রি, ফনা ঐখোয়না চৎখ্রবসু, শিখ্রবসু নোংমদি শোয়দনা হল্লকখিনি মপোক অমদা। নৎত্রগা ঐখোয়না ফনা লাপ্না চৎলুরবসু পোক্লফম লমদমদা অমুক হল্লকপদি হৌনশানি। অদুনা কবি অসিনা হায়, “চৎনীংলবদি চৎখো/ঐ নঙবু খাল্লোয়/অদুগা ৱাফমসিমদি শোয়দবনি/নঙ হল্লকখিনি/অমুক মফমসিদা।” (নঙ অমুক হল্লকখিনি, লা: ২৩) অমুকসু কবি অসিনা পুন্সিবু লানফম অমনি হায়রি। লানফম ময়ায়সিদা কবিনা থিরি শান্তি অমসুং পোত্থাফম। অদুবু য়াম্না চুম্না কবিনা হায়, ঈংলবা পোত্থাফমদি ইমাগী তম্পাক্লা ওইরম্লে। মসিবু লাল্লি হায়গদবা য়াওদ্রে খল্লি। ইমাদগী হেনবা, ইমা লমদমগী হেনবা থিবা ফংলরোই। পুন্সিবু য়েংবদা নত্তনা কবিনা অমুকসু থিরি, পুন্সিগী মনুংদা মহাক মশামক। মহাক মশানদি খঞ্জরুবনি মহাক নিংথৌনি, মনীং তম্বনি, মহাক মপূনি। অদুবু থিরা থিরগা মহাক্তি করিসু ওইরমদ্রে। মানা হায়, “অদুবু অঙকপনি/ঐহাক মী অমা ওইরমদ্রে/লাই ফদিবী অমা ওইরম্লে।” (লাই ফদিবী, লা: ২৭) মসিসু লাল্লি করম হায়গনি। পুন্সিবু মুন্না য়েংলগা হায়রকপা ৱাফমনি।

কবিগী হকচাংনা লাই ফদিবী ওইহৌরিবসু মাগী থৱায়দি খক মীখা পোন্দে। মালেম থুংনা পাইখি, চেক্লা মতুং ইনখি। মরমদি চেক্লাশিংদি শম্বল লৈতে, চীংশাংনা থৎতে। চেক্লাগুম পাইনীংলকই মাসু। অদুবু শিবা নাইবা হকচাংদি তাদুনা লৈহৌই। অদুনা কবিনা ‘লম্বী’ ওল্লকই, তাইবঙগী কান্ননবা তৌবনা মাগী পান্দম ওইরকই অদুনা হায়, “নঙনা পাম্মী লম্বী অমা/ওইজগে ঐ লম্বীদুমক/চৎচরো ননীংতম্না/লম্বীদুদা।” (লম্বী, লা: ২৯) ফিদমগী মায়কৈদা খোঙ থাংলকপা কবিগী মওংনি। থাগৎতবা ঙমদে। কবিনা খঙই, মতমসি ফৎত্রে। মতমসি হিংবদা ৱারবা তাঞ্জানি। অদুবু শিদ্রিফাওবা হিঙ্গে হায়রবদি আশা থাদোকপা য়াদে। মসিনা কবিগী ফিরেপনি। অদুনা মানা ইরি, “ঐগী ৱাখলগী চেক্লাদি/আশাগী মৈরা চুখৎতুনা/অনৌবা মঙালবু থিদুনা/ঙসিসু লেপ্তুনা পাইরিদো।” (ৱাখল চেক্লা, লা: ৩৩) আশাগী মৈরা খক মুত্তবা ওইসনু, অদুগী মথক্তা কবিনা হায়রি, ‘হিংমিন্নবা তাইবঙপান অমা ওইহনসি হায়রবদি নুংশিনবা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী অমা লৈতে। অদুনা কবিগী অরোইবা পামজবা ফোঙদোক্লি, “লৈখল শুরবা লৈকোন্নুংদা/তখেল লৈরাংতবু পামজৈদো/নুংশি লৈরাংগী লৈনাদা/নুংশি শৈরেং অমতংদি ইনিংই।” (পেন্দবা, লা: ৩৪) ইরেদনা ঙসিদি নুংশি লৈনম্না হারবা ফজবা শৈরেং কয়া। কবিগী কলম লেপ্তুসনু। অদুবু কবিনা মনীং থুংদ্রি। হেন্না ফজবা শৈরেং ইনিংলি। নুংশি শৈরেং অমগীদমক মহাক অহিং তূমদ্রি। থমোয় তনকি তনিক্লি। অদুবু ইবা ঙমজখিদে হায়রি। মসিদি কবিগী হৌনশানি।

কবিগী অতোপ্পা মিৎয়েং অমনা নুপীদা য়েংবা মিৎয়েং অসিনি। কবি কয়াগী ৱাখল কয়া ফোঙদোক্লখ্রবনি। কবি অসিগীদি নুপীবু ৱাংনা থাঙ্গৎপনি। মানদি হায়রি, ঙসি নুপাগী পুন্সিনা মরেক মহাও থোক্লিবা, থমোয় লকাদা নুংশি লৈকোল অমা শেমগৎপা ঙল্লিবা অসি নুপীগী মপান্ননি হায়রি। অদুনা মানা নুপীবু ‘পুন্সি লাইরেম্বী’ হায়না কৌরি। মসিনসু পেন্দে, অদুনা কবিনা শৈথাই, “অয়ূক্তা নীংতম্বগী/লান্মী ওইরম্বা ঐনা/নুমিদাংদা নুংশি থোইবীগী/মনাই খম্বসু ওইরি।” (শক্তম হোংবা, লা: ৪৮) ফজখ্রবা ৱাফমনি। নুপীগী মনাই ওইদবা কনাবু য়াওরমগদগে।

ইতোপ তোপ্পা কবিগী মিৎয়েং অমনা মমা লমদমদা য়েংবা মিৎয়েং অসিনি। মমা লমদমগীদমক হিংখিনি হায়রি, অৱাবা কয়া খাঙলসু, মঙাল ফংলবা সভ্যতাগী মী ওইবা ঙল্লুদ্রবসু মমা লমদমগীদমক্তদি উচান মৈরা পায়দুনা, মিৎশেল খাঙদুনা লেনখিগনি হায়রি। কবি মাগী ৱাহৈদা, “ঐদি হিংখিনি নঙগী পাম্বে ওইনা/অমম্বদা উচান মৈরা চুখৎতুনা/...পোত্থাফম খঙদ্রবসু খঙদনা/অনৌবা মঙালবু ঙাইদুনা।” (ইমা নঙবু নুংশিজরুবনা, লা: ৫৮) মসিদি অনৌবা পাউনি, অনৌবা প্রমান্নি। ফজৈ হায়নীংঙি।

কবি অসিবু মশক তাকহৌরদৌবা শৈরেং অমসু য়াওরি। কবি অসিবু নুংশিবগী কবিনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে শৈরেংসি পারুবদা। মাগী মাঙখ্রবা নুংশিববু খোঙ্গুল লীরি। থিরি মফম খুদিং। অদুগা ফংদ্রবসু ৱাখলনা শাগৎলি নুংশি তাইবঙ অমা। অদুগা হায়, “নঙনা ইনাক্তা লৈবীয়ু/থৱায়গী থৱায় ওইনা/য়াম্না নুংশিনা/... থমোয়গী অমম্বা কাদা/সন্ধ্যা থাউমৈ ওইনা/ঙানবীয়ু মপোকসিমা।” কয়াদা নুংহিক্লখ্রবা ৱাহৈশিংনো। মসিনা লোইদ্রি। কবিনা মখা তারি অসুম্না “সমুদ্রগী নোংলৈ নুংশিৎনসু/মুনবা ঙল্লোই/ঐগী নুংশিবসি/নঙনা ইনাক্তা লৈরবদি।” (নঙনা ইনাক্তা লৈরবদি, লা: ৬৯) নুংশিবগী অরোইবা খোম্থানি।

অদুবু নুংশিবসু উরক্তা, মমা লমদমগীসু করিসু তৌবা ঙল্লক্তত্রবদা কবিনা খল্লি। মাগী করি ৱাৎপননো, অসুক লাইবক থীরিবা। কায়নথংদা খঙলকই। তাইবঙদা হিংনা হিংনা শিবা কয়া লৈরি। শ্বর হোল্লবসু হিংদ্রবা কয়া লৈরি। অদুগী মরক্তা মাসু য়াওদুনা লৈরম্লে। অদুনা কবিনা মমা লমদমদা হায়জৈ, “ইশাগী ইমিদা/কিদুনা চোংখৎলি/খংপ্রেক খংই/... নীংশিংলকই/ঐসি মমাঙঙৈদা হাত্তোকপিখ্রবা/অশিবা মীওইবনি/প্রায়শ্চিত তৌবা/ঙাইদুনা লৈরিবা।” (প্রায়শ্চিত ঙাইরিবা থৱায়, লা: ৫০) মসিনা তাক্লি, মসিনা হংলি। ঙসি ঐখোয় পূম্বসিবু কবিগুম প্রায়শ্চিত ঙাইরিবা থৱায় ঙাক্তা ওইরব্রা? মরমদি ঐখোয় ইমাগীদমক করিসু তৌবা ঙম্নদ্রে। শিদোকপা কিনরে। ইমাদি সুম সুম লূপথরক্লি। কবিগী কল্পনা মপূং ফায় হায়নীংঙি। ফজবা শৈরেংনি।

অতৈ কয়াসু লৈরি। অদুবু লোইনমক পাউদম্বদি ঙল্লোইদৌরে। কবি বিনোদকুমার শৈরেং ইবা পকচরে, ৱাহৈগী লৈচন হৈরে, শৈরেং পূম্বা তেন্তক তেন্তক ৱাহন্থোক অমমম পীবা ঙল্লে, ইবা লেপহন্নীংদ্রে। মনুংদগীবু ওইরবসু মপান্দগীবু ওইরসু ইমালোনগী সেবা তৌরম্বা হায়বসি ইমাগী লমন শিংলম্লবনি হায়নীংঙি। কবিগী মথঙগী শৈরেং খৌরাংনা ঙাইজরি।

# মৈগী চীং - ১

**-মুন্সি প্রেমচন্দ**

**বি এগী** দিগ্রী পায়রবা মতুংদসু ঐ নুমিৎ খুদিংগী লাইব্রেরিদা চৎলি। চেফোঙ অমদি লাইরিকশিং নৈনবা চৎপা নত্তে, লাইরিক্তা শুংথা থানরোই হায়না ৱাশকপগুম্বনি। পাউচেদা মীং য়াওরকপা নুমিৎতুদগী মিল অমসুং কেন্টনা ইবা লাইরিকশিংদু তোঙান্না থমখ্রে। ঐনা শুপ্লতংগী ইংরাজি পাউচেশিংগী ৱান্টেদকী কলমদুতমক য়েংই। মদুদা পুন্সি খোঙচৎকী মরুওইবদু য়াওরি। ঐগী ইপা-ইপুশিংগী মরক্তগী অমনা কনাগুম্বা অংগ্রেজ অমবু লালহৌবশিংগী মখূত্তগী কনবীরম্লবা নৎত্রগা করিগুম্বা লম অমগী জমিন্দার ওইরম্লবদি ‘নোমিনেসন’ গীদমক শীজিন্নরমগদবনি। অদুবু ঐগীদমক্তদি ৱানোম্বীনবা কনাসু য়াওদে, লৈতে। অৱাবনি! হুই, হৌদোং অমদি কারনচিংবদি মীয়াম্না য়াম্না পাম্নে। অদুবু বি এ পাস তৌবা মীবুদি কনানসু হংনদে, পাম্নদে। থা কয়া হৌখ্রে অদুবু ঐগী অপাম্বগী মতুং ইন্না চান্নবা ফম অমত্তা ফংদ্রে। ঐনা বি এ ওইবসিদা ইথন্তা শাউনীংবা ফাওজৈ। দ্রাইভর, ফায়রমেন, মিষ্ত্রি, চাক থোংবা ওইরম্লবদি ঐ অসুক কুইনা লেম্না লৈরম্লোই।

নোংমা ঐ ফমুংদা হিপ্লা-হিপ্লা পাউচে পাদুনা লৈ, মদুদা থবক্কী পাউ অমা য়াওরি, মদু ঐগী অপাম্বগা খরা চান্নরি। কনাগুম্বা ইনাকখুনবা অমগী প্রাইভেট সেক্রেটরি দরকার ওই-মীওই অদু লাইরিক হৈবা, মীনুংশি লৈবা, থম্মোয় চাউবা, থম্মোয় শেংবা অমদি মশক মতৌ ফজবা ওইগদবনি। তলবতি থাদা লুপা লিশীং অমনি। ঐসি লাইবক ফদুনা ফম অসি ফংলবদি পুন্সি অসি নুংঙাইনা লেল্লনি, ঐনা নুমিৎতুমক্তদা ঐগী দরখাষ্টতু ফোটোগা কোন্ননা থাখ্রে। অদুবু ঐগী নক্লবা মীওইশিং অমদি মরুপ-মপাংশিংদা মদুগী মরমদা হায়রুদ্রে মরমদি মখোয়না ঐগী মতৌদুদা নোক্লবা য়াই। ঐগীদমক্তদি থা অমদা লুপা ৩০সি য়াম্লবনি, লুপা লিশীং অমসিবু কনানা পীবিগনি? অদুবু মসিগী ৱাখল অসি কোক্তগী চৎলু হায়বা য়াদ্রে, মঙলানগী ফুরা শাগৎলি। অদুদগী ৱাখল অমুক তারকপদা ঐবু অদুক চাউবা ফমদুদা করি মতিক চারদুনা ফমগদৌরিবনো হায়দুনা ইশা ইথন্তা থেমজিনজৈ। ঐদি হৌজিক্তা কোলেজদগী থোরক্লিবা লাইরিক্কী মনম কোক্ত্রিবা অঙাংনি, তাইবঙপালসিদা করি চৎনরি হায়বসি খঙদ্রি। ফম অসিগীদমক্তা অচৌ অচৌবা লাইরিক-লাইসু হৈবা মীওই কয়া হিদান্নরমগনি। ঐগীদমক্তদি আশা তৌনীংঙাই করিসু লৈতে, হোয় শকপুদি ফজৈ, ফীভম ফজৈ, মসিনা ওইবদি য়াবা নত্তে। থবক্কী পাউসিদদি শকথিবা মীগী দরকার লৈতে হায়বসিমদি তশেংলে। অদুবু শকহেনবা ঙাক্তনা অচৌবা ফম ফংগনি হায়বসিদি খরদি ফজমন্দে। ময়ায় ওইরপ তৌবা ফীভম, পুক খরা তোংতক তৌবা, খজায় খরা চোন্থবা, য়াম্না চীং লেম্না ৱা ঙাঙবা মসি অচৌবা ফম পায়বশিংগী খুদমনি, ঐঙোন্দদি গুণশিং অসি অমত্তা য়াওদে। অসুম্না আশা অমদি অকিবগা মুক্লরিঙৈদা চয়োল অমা হৌখ্রে, ঐহাক নীংবা কায়রে - ঐসি কয়াদা চাওখৎখিদ্রিবা মীনো, মথোং মরম খঙদবা ৱাখল কয়া খন্দুনা অরেম্বদা মতম মাঙহল্লি, মসি অঙাংগী মতৌনি। ঐনা খনবদা কনাগুম্বা থোক মোক তৌবা মী অমনা হৌজিক মতমগী লাইরিক হৈবশিংগী অপঙবা মতৌসিদা করেম্নবা ওইরমম্বসু য়াই, ঐনা মসি ফাওবা হেক খঙবা ঙমদবা। অদুবু নিপালশুবা নুমিৎতা অয়ূক অঙনবদা টেলিগ্রাম পুবা নুপাদুনা কৌরকই, থম্মোয়দা হায়ফম খঙদবা ৱাখল অমা ফাওরকই, চেদু ফাক্তোক্তুনা য়েংই - ইরম্মী - নহাক খল্লে, থুনা লাকউ।

এশগড়।

নুংঙাইবা পাউ অসি ফংলবসু ঐ নুংঙাইবা ঙমদে, ঙাইহাক লেপ্তুনা খল্লি, কনানো অমনা লক্লবা শোয়দনা ওইগনি। ঐ শোয়দনা থিদোকপা তাবনি, থা অমগী তলব হান্না থারকউ হায়না টেলিগ্রাম থাখ্রসিরা, অদু ওইরবদি মরোল পূম্বা খঙবা ঙল্লগনি। অদুবু অমুক খন্থরুরগদি করিগুম্বা অশেংবা ওইরম্লগদি নান্থোকখিবা তাবনি। মীনা লক্লবা ওইরবসু পুন্সিদা থৌদোকসিমদি নীংশিংনীংঙাই ওইহৌরগনি। অরোনবসিমদি থিদোক্লগে খল্লে। শোয়দনা লাক্লনি হায়দুনা টেলিগ্রাম থাখ্রে অদুগা রেলৱে ষ্টেসন তম্না লাক্লে। হংলুবদা মফমদু খারোমদনি হায়রকই, টাইম টেবলদা লমদুগী মরমদা নিংথিনা ইরম্মী। মফমদু য়াম্না ফজৈ অদুবু ঈশিং-নুংশিৎতি কয়া ফত্তে, অদুবু মশা মউ ফবা নহাশিংদদি থোইদোক্লা অকায়বা থোক্লোই। মফমদুগী লম্মিৎ-তুমিৎ নিংথিজৈ অদুবু মহু পানবা শা-ঙা য়াম্না লৈ। য়ারিবমখৈ অমম্বা চীংগী নাপোমশিংদা চৎলোইদবনি। মদু পারুরগা খল্লি, ঐ অমম্বা চীংগী নাপোমদদি শুংচৎ চৎলোই, মহু পানবা শা-ঙা লৈতবা মফম্বু লৈবরনে। হল্লক্লগা চৎনবগীদমক শেম শারে অদুগা তাইবঙ মপূগী মিংখৈ শোল্লগা মতম চানা ষ্টেসন্দা চৎলে। ইমান্নবা মরুপ-মপাংশিংদা মসিগী মরমদা করিমত্তা হায়দ্রে, নুমিৎ মরি-মঙানি লৈরগা হৈনদদুনা হল্লকপা শোয়দ্রবনি।

ঐনা গাড়ীদা কাখৎপা মতমদু নুমিদাংৱাইরম ওইরে। ঙাইহাক্তি চুরুট থক্তুনা পাউচে পাদুনা মতম লেল্লে। অদুবু করম্বা মতমদা তূমথখিবনো খঙদে। মীকপ থোক্লকপদা থোঙনাউ হাংদোক্তুনা য়েংই অয়ূক্কী নিংথিরবা শক্তমদু কয়াদা ফজরবা! মায়কৈ মরিমক্তা অশংবা উপালশিংনা কুপশিল্লবা চীংশাং নাপোমশিং, মদুদা শজিক চারিবা মতু লংলবা ষণবী অমদি য়াওশিংদা নুমিৎকী সনা মচুনা য়ৈবদা কয়াদা নিংথিরিবা। ঐগীসু মফমসিদা নিংথিরবা খাঙপোক অমা লৈরবদি কয়াদা নুংঙাইগদবা, উমংগী উহৈ চাদুনা, লোক্কী ঈশিং থক্তুনা, নুংঙাইবা ঈশৈ শক্তুনা লেনগনি। খঙহৌদনা উরিবা দৃশ্যদু খঙহোং-হোংলকই। অপাকপা ঈশিংগী ঈপাক অমা উরকই, মদুদা থম্বালনা ফুগাইনা শাৎলি। মচু মখল কয়াগী উচেকশিংনা ইরোইরি, হি মচা কয়ানা য়াম্না তপ্না তুশোন মানশোন্না চৎলি, ত্রেনগী খোঙচৎনিনা দৃশ্যশিং অসি অমুক হোংদোক হোংজিন তৌই। মমৈথংদা এশগড় য়ৌশিল্লক্কদৌরে। ঐ ফমুং লোইশিল্লি, মিকুপ অমগী মনুংদা সিগনেল উরে, ঐগী থম্মোয়গী মিহুলসি তিং-তিং চোঙলকই, গাড়ী খাল্লে। ঐনা কুমথরগা নাক-য়েৎ কোয়য়েং য়েংই, পোৎ থাংনবা মী কৌগে হেক তৌবদা য়ুনিফোর্ম শেৎপা নুপা অনীনা চঙশিল্লক্লগা ঐঙোন্দা সলাম তৌই অদুগা হংলকই - ‘অদোম...দগী লাকপীবরা, কার ঙায়দুনা লৈরে।” ঐ হরাউবনা লোইরে, ঐ হৌজিক ফাওবগী পুন্সিদা কার অমুক্তা তোংদ্রি। য়াম্না লেম্না ফম্লুরে। ইথন্তা খঞ্জরকই অসুম হায়না তৌরমগনি খঙলম্লবদি খরা নান্না লাক্লমগদবনি, কারদু থৌরক্লে। লম্বীগী নাকল অনীদা বকুল পাম্বীগী অসুকপা উমংশিং, সরক্তু নুং অঙাঙবনা শিৎ নান্না থাই। লম্বীদু অশঙবা অশুকপা উমংদা ঈংনা তপ্না চেল্লিবা ঈচেলগুম্না চেন্থরি। মিনিট তরামুক্কী মতুংদা ঈংলবা পাক চাউরবা ঈপাক অমনা মাঙদা ঈরং লংনা লৈরম্মী। ঈপাক্তুগী ৱাংমদা চীংথক্তা অচৌবা কোনুংগুম্বা য়ূমজাউ অমা লৈ। য়ূমদুনা নাপল তৌনা মকোক হাইগৎলি, ঈপাক্তুনা হরাউনা মাগী মখোঙ চাল্লি। উরিবা দৃশ্যদু শৈরেং, নুংশি-নুংওন অমদি নুংঙাইবনা পীক থল্লি।

ঐখোয়না হোজং য়ৌবা মতমদুদা য়ামখ্রবা মীয়াম অমনা ঐবু ওক্লবগীদমক ঙায়দুনা লৈরম্মী। মখোয়গী মরক্তা য়েংবদা অমদি ৱাত্তা য়াম্না নুংঙাইবা মুন্সি অমসু য়াওরি, মমিৎতা শুরমাসু য়েক্লি। ঐগীদমক্তনি হায়দুনা শেমখ্রবা কাদুগী থোঙজিল তান্না পুশিল্লগা হায়রকই - ইবেম্মনা, অদোমবু পোত্থানবা হায়রকই, নুমিদাংৱাইরম উনসি হায়। ঐ করিমত্তা খঙদে ‘ইবেম্মা’ হায়রিবসিনা অমুক্তা হেন্না ঙকখ্রে, অদুবু মাগী মাগী মখাদা লৈদুনা থবক তৌগদৌরিবা মীদুবু খঙদে হায়বসি মীনা নোক্লখিনি হায়দুনা করিমত্তা মখা তাদ্রে। অদুবু অমবু ওইরে, অমবু ওইরে ঐগী মপূসি য়াম্না ফবা মীনি। ঐবু অসুম্না ওকপীরমগনি হায়বসি ঐগী ৱাখলগী ৱাংমদনি। নিংথিনা লৈতেংলবা ঐগীদমক শেম্লম্লবা কাজাউদুদা অরাম চৌক্রিদুদা ফম্বা মতমদুদা ঐগী থম্মোয়সি হরাউবা নুংঙাইবনা থুমহৎলি। চীংলোমদগী নামিবা নুংশিৎনা লিরি-লিরি হুম্লক্লি। মাঙদা য়ূমজাউদুগী শাই তারকপদু ময়েক শেংনা উরি। ঈশিংগী ঈপাক্তুদা মদুগী মমি তারি, মতম লৈবা খিবিক্তা লাইবক্কী লাইরেম্বীনা পোক্তবা মচাগুম লোইনরকপা ঐসে অহানবা ওইনা পুন্সিগী নুংঙাইবা হায়বদু ফংলে।

নুমিদাংৱাইরমদা মুন্সিনা লাক্তুনা ঐবু কৌরৈ। ঐগী খ্বাইদগী ফজরবনি খনবা সুটতু শেৎলে, ঐগী ৱাঙাঙদা মপূনা ৱারৌখিদনবা অমদি মানা ঐবু তৌহন্নীংলিবা থবক্তুদা অপনবা পীদনবা হায়বা ৱাখলসিদা পূক্লিংসি চরাংনৈ। অমরোমদা ঐ মতিক চাই হায়বগী খুদমদু পীনবা ঐ শেম শারি। ঐখোয় অশাংবা বেরেন্দা কয়া ফাওরদুনা ঐগী মপূগী কাগী থোঙজিল য়ৌরক্লে। মমল তাঙলবা পারবা রেসমগী পর্দা খল্লি। পর্দাদু হাইগৎলগা মুন্সিনা ঐবু ইঙ্গিৎ তৌদুনা কৌরকই, ঐনা কিনা-কিনা মিহুল তিং-তিং চোঙলদুনা থোঙজিলদা খোঙ হেক থাংজিনবদা পুমঙক ঙকখ্রে - ঐগী মাঙদা ফজবগী লাইরেম্বীনা ঙান্থোইদুনা লৈরি।

-মথং-মথং

**-হিন্দীদগী হন্দোকপা**

**—লৈমপোকপম বেদান্তী**